ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ: য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজবর্ধন সিংহ রাথোরনা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয়শিং হকথেংননা উনদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ্তা য়ু এস এগা ইন্দিয়াগা দেল্লিদা শান্নগদবা অহানবা মেচ মণিপুরগী শান্নরোয় ৮গী অহল লমনশিংনা মিৎয়েং তাদুনা ইন্দিয়ন টিম্বু পূক্লিং থৌগৎকদৌরি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজবর্ধন সিংহ রাথোরনা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয়শিং হকথেংননা উনদুনা পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ইন্দিয়ন টিম্বু পূক্লিং থৌগৎলদুনা টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজবর্ধন সিংহ রাথোরনা হায়খি, ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ অসি ইন্দিয়ন টিমগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা ওকেজন অমনি। মরমদি অহানবা ওইনা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা লৈবাক অসিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা য়ূম্বু ওইরিবনি। ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয় খুদিংমক্না ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী শান্নগদবা মেচ খুদিংমক অসি নখোয়গী পুন্সিগী গেম ওইগদবনি অমদি গেমশিং অদুদা নখোয়না উৎখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মেমোরি ওইদুনা লৈহৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা নখোয়গী পুন্সিগীদমক অমসুং মায় পাক্লবা শান্নৌ।

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ ২০১৭ হেক হৌবগা নখোয়না ফুটবোল ফিল্ডদা উৎলকপা পার্ফোমেন্সশিং অদুনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা তোপ তোপ্পা ইথিল অমা পীগদৌরিবনি। ঐখোয়না নখোয়বু মতম পুম্নমক্তা শৌগৎকনি। কৈদৌঙৈদা নিংহন্নবা তৌগনু, পাঙ্গল কন্না শান্নৌ হায়না শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎখি।

দেল্লিদা ইন্দিয়ন টিম্না য়ু এস এগা শান্নগদৌরিবা অহানবগী মেচ য়েংনবগীদমক মণিপুরদগী ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয় ৮গী অহল মলনশিংগী ফ্লাইট টিকেট ককখ্রে। শান্নরোয়শিং অসিগী অহল লমনশিংনা হকথেংননা মেচ অসি য়েংদুনা মখোয়গী মচাশিং য়াওরিবা ইন্দিয়ন টিম্বু মায় পাকপা পুরক্লবগীদমক থৌনা হাপকদৌরি। মণিপুরদগী য়াওরিবা শান্নরোয় অসিগী অহল লমনশিংনা দেল্লি চৎপদা তেংবাঙ ওইনবগীদমক্তসু মায়কৈ কয়াদগী তেংবাঙ পীনরকপা লৈখ্রবনি।

খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা শান্নগনি : জিক্সন

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমগী শান্নরোয়শিংনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্কী ফুটবোল শান্নগনি হায়না মিদফিল্ডর ওইরিবা মণিপুরদগী থৌনাওজম জিক্সন্না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্না মখা তানা হায়খি, ইন্দিয়ন টিম্না মালেমগী খ্বাইদগী ফবা টিম অদুগা চাংদম্নবা ঙম্মী হায়বদু হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা উৎকনি। ঐহাক্না ইন্দিয়াগীদমক শান্ননবা পীক্লিঙৈদগী হৌনা মঙ মঙজরকখি।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ইন্দিয়ন ফুটবোলগী লেভেল অসি য়াম্না অনেম্বা থাক অমদা লৈবদৌনা খন্নরি। মসি লানগনি। ঐখোয় অদুক হাক্না অনেম্বা থাক্তা লৈতে। ঐখোয়না খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা শান্নবা ঙম্মী হায়বদু মালেমদা উৎপা পাম্মী। ঐখোয়না তৌবা ঙমগদবশিং অদু উৎথোকপা ঙম্বগী থাজবা ঐখোয়দা লৈ। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ইন্দিয়ন ফুটবোলগী মতাংদা লান্না খল্লিবা ৱাখলশিং অদু হোংদোকহন্নবা শান্নগনি। ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয় খুদিংমক্না ৱর্ল্ড কপ অসিদা খ্বাইদগী ফবা টিমশিংগা থেংননবগীদমক শেম শাদুনা লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড কপকীদমক শেম শাদুনা লৈরে : ধিরাজ

ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা লৈবা টিমশিংগা থেংননবা ঐহাক্না শেম শাদুনা লৈরে হায়না ইন্দিয়াগী গোল কিপর ওইরিবা মণিপুরদগী মোইরাংথেম ধিরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱর্ল্ড কপ অসিদা মালেমগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা টিমশিংগা শান্নবা হায়বসি অচৌবা চেলেঞ্জ অমনি। চেলেঞ্জ অসিগীদমক ঐহাক শেম শারি। ইন্দিয়ন টিমনা মায়োক্নগদৌরিবা টিম খুদিংমক রেস্পেক্ট তৌই। অতোপ্পা টিমশিংনা গোল স্কোর তৌদনবা হোৎনবদা খ্বাইদগী অকনবা বেরিয়র অমা ওইহন্ননবা ঐহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। মেচ খুদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা মোমেন্টশিংদা করম্বা মখলগী গোল কিপ্পিং তৌগদগে হায়বসু খনবা মথৌ তাই। মরম অসিনা মফম মতমগী মতুং ইন্না খল্লগা গোল কিপ্পিং তৌগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

টাটা ত্রষ্টনা দেল্লি চৎপগী টিকেট তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): ফিফা অন্দর-১৭ৱর্ল্ড কপকী ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৪গী অহল লমনশিংনা দেল্লিদা চৎলগা মখোয়গী মচাশিংনা শান্নগদবা মেচশিং য়েংহন্নবগীদমক তেংবাঙ ওইনা দেল্লি চৎথোক চৎশিন তৌবগী ফ্লাইট টিকেট সেন্তর ফোর মাইক্রো ফাইনান্স এন্দ লাইবলিরুদ টাটা ত্রষ্টনা খূৎশিন্নখ্রে।

ইন্দিয়ন টিমদা য়াওরিবা থাংজম বোরিস, কিয়াম অমরজিৎ, থৌনাওজম জিক্সন অমসুং মোহম্মদ জহাজহানগী অহল লমনশিংদা দেল্লি চৎপা অমসুং হল্লকপগী ফ্লাইট টিকেটিং অদু ঙসি সেন্তর ফোর মাইক্রো ফাইনান্স এন্দ লাইবলিহুদ টাটা ত্রষ্টকী মায়কৈদগী খূৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেন্তর ফোর মাইক্রো ফাইনান্স এন্দ লাইবলিহুদ টাটা ত্রষ্টকী রিজনেল মেনেজর অভিসেক মজুমদরনা হায়খি, টাটা ত্রষ্টনা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংবু মতম পূম্বদা য়োকখৎতুনা লাক্লি। লৈবাক অসিগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদসু চাওখৎহন্ননবদা মতেং ওইনবা থবক কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ত্রষ্ট অসিনা লমদমসিগী শান্নরোয় কয়াবু গ্রাসরুট লেভেলদগী শেমগৎতুনা মতিক চাবা ফুটবোল শান্নরোয় অমমম ওইহন্নবা সেন্তর তরাদা কোচিং কেম্প হৌদোকখ্রে। ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপকী ওক্টোবর ৬, ৯ অমসুং ১২দা ইন্দিয়ন টিম্না শান্নগদবা মেচশিংদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয় ৪গী অহল লমনশিংদা দেল্লি চৎথোক চৎশিন তৌবগী ফ্লাইট টিকেট অসি মতেং ওইনা পীজবনি। অহল লমনশিংনা মখোয়গী মেচশিং অদু য়েংদুনা শান্নরোয়শিং অসিবু পূক্লিং থৌগৎপসু ঙম্লগনি। ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অসিবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা মখা তানসু পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা সেন্তর ফোর মাইক্রো ফাইনান্স এন্দ লাইবলিহুদ টাটা ত্রষ্টকী স্পোর্টস কোওর্দিনেটর খেলেম্বাসু শরুক য়াখি।

১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ : ক্লাসা কৈনৌনা এস য়ু শগোলবন্দবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিএল ত্রষ্টনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ক্লাসা কৈনৌনা এস য়ু শগোলবন্দবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১২ না শরুক য়ারগা চথরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭কী ৩৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী এস য়ু শগোলবন্দ অমসুং কে এল এ এস এ (ক্লাসা) কৈনৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগা টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি। মখা তানা টিম অনীমক্না। অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈদা গোল চন্ননবা এটেক কয়া চথনখি। মায়কৈ অনীমক্তগী এটেক কয়া চথনরবসু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ওন্থোকপা ঙম্মদবদগী ক্লাসা কৈনৌ অমসুং এস য়ু শগোলবন্দ গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অহানবা হাফতা শান্নরম্বা মতৌদগী হেন্না কনশিন্না অনীশুবা হাফতা টিম অনীমক্না শান্নরকখি। অনীশুবা হাফকী ৬০শুবা মিনিট ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি। মেচকী ৬৩শুবা মিনিটতা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী জর্সি নম্বর ৭ ওলারিচপ্রিন্সৱিল ইমেকানা গোল অমা চনখি। অহানবা হাফতা গোল চন্নবা ঙমদনা লাকখ্রবসু অনীশুবা হাফতা ওলারিচপ্রিন্সৱিল ইমেকানা চনখিবা গোল অদুনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা মেচ অদু গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। এস য়ু শগোলবন্দনা গোল মাঙজিল থাখিবগী হেক থংনবা মিনিটতা ক্লাসা কৈনৌগী জর্সি নম্বর ৯ জেরিওনিসিমাস উলামতেনা গোল অদু হন্দোক্তুনা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং এস য়ু শগোলবন্দ গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। অহেনবা গোল চন্নবগীদমক টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা এটেক কয়া চথনরকখিবা অদুদা মেচ অদুবু মিৎয়েং তারিবা মীয়াম্নসু মেচ অদু য়েংবগী চপ চাবা মহাও ফংনখি।

মেচ অদু মায় পাক্তবা য়াদে হায়দুনা টিম অনীমক্না শান্নরক্লবসু মেচকী ৯০শুবা মিনিট ফাওবদা ক্লাসা কৈনৌ অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা ১-১দা লৈখি। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৯০ প্লস ফোর চৎপা মিনিটতা ক্লাসা কৈনৌগী জর্সি নম্বর ১৫ এম অবোয় শর্ম্মানা গোল অমা চনখি। গোল অদু মেচ লোইবা ফাওবদা এস য়ু শগোলবন্দনা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। এম অবোয় শর্ম্মনা মেচকী এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু ক্লাসা কৈনৌনা গোল ২-১দা মায় পাকপা ঙমহনখি।

অক্টোবর ৪গী মেচশিং

নুংথিল পুং ২:০০
এইম খাবম লমখাই
VS
এস এস য়ু শিংজমৈ

অহানবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন এন্দ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

ফাম ইম্ফালনা নুপীগীসু নুপীগীসু চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক এষ্ট্রোটর্ফ হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা প্রসিদেন্ট কপ অন্দর-১৪ মেন এন্দ ৱিমেন হোকি চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা পি ঐচএ এম (ফাম) ইম্ফালনা নুপাগীসু নুপীগীসু চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

অন্দর-১৪ ৱিমেনগী ফাইনেলদা ঙসি ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অমসুং ফাম ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নখি। মেচকী ১২শুবা মিনিটতা ৱাই সী সী আই সীগী জর্সি নম্বর ১৩ অথোই ৱাহেংবম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। ফামগী মায়কৈদগীসু ৱাই সী সী আই সীনা চনখিবা গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ফামনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী ৱাই সী সী আই সীনা গোল ১-০দা মাঙজিল থানা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না য়াংনা শান্নরকখি। মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা ফামগী কেপ্তেন জর্সি নম্বর ১১ কে ঐচ সিলৈমনা ৱাই সী সী আই সীগী গোল অদু হন্দোক্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুংদা টিম অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনখি। মেচকী ৪০শুবা মিনিটতা কে ঐচ সিলৈমনা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা মেচ অদু ফামনা গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৪৫শুবা মিনিটতা ফামগী জর্সি নম্বর ৮ অইংবীনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু ফামনা গোল ৩-১দা মাঙজিল থাখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই সী সী আই সীনা ফাম্না হেন্দুনা চৎলিবা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু ফামনা ৱাই সী সী আই সীবু গোল ৩-১দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। নুপীগী টুর্নামেন্ট অসিদা ফাম ইম্ফালগী কেপ্তেন কে ঐচ সিলৈমনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি।

অন্দর-১৪ বোইজগী ফাইনেলদা ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং ফাম ইম্ফাল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী ফজনা শান্নরকখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী ফামনা লাকচনা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদু ফাম ইম্ফালনা ঐচ য়ু লাইরিকয়েংবম লৈকায়বু গোল ৭-১দা মায়থীবা পীদুনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখি। ফাম ইম্ফালগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু কেপ্তেন ওইরিবা জর্সি নম্বর ৯ এন দত্তনা মেচকী ২শুবা, ৯শুবা অমসুং ৩৫শুবা মিনিটতা গোল অহুম, জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ মিসন্না মেচকী ৭শুবা মিনিটতা গোল অমা, জর্সি নম্বর ৮ এম অলেক্সনা মেচকী ২০শুবা মিনিটতা গোল অমা, জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ কেনেদিনা মেচকী ২১শুবা মিনিটতা গোল অমা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ টি প্রিতম্না মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা গোল অমগা চনখি। অদুগা ঐচ য়ুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৩ এম রিসিদয়ালনা মেচকী ৩৮শুবা মিনিটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগীদা ফামগী কেপ্তেন এন দত্তনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, মণিপুর হোকিগী প্রসিদেন্ট বাসুদেব অমসুং সেকমাই এ সীগী এম এল এ, ঐচ দিঙ্কুনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং স্পিসিয়েল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। দাইজ মেম্বরশিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমসুং রন্নর্স-অপ তাখ্রবা টিমশিংদা ত্রোফি য়াওনা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস মীট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস মীট পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট এস নিরমলতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট এস নিরমলতানা থাদোরকপা চেরোল অদুনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল গেমস মীট অসি অন্দর-১৯ বোইজ এন্দ গার্লসকী ফুটবোলনি। গেমস মীট অসি ওক্টোবর ৫ অমসুং ৬তা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। গেমস মীট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মাঙজৌননা ফোর্ম পীশিল্লকখ্রবা শান্নরোয়শিংনা খুমন লম্পাক্কী প্রেক্টিশ ফিল্ডদা লাক্লিবা ওক্টোবর ৫গী অয়ুক পুং ৬.৩০ নংনবা লাক্লগা ওফিসিএলশিংদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩(ঐচএন এস) : এম পি পিগী ইন্দোরদা লাক্লিবা নবেম্বর ১৫দগী ১৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬২শুবা মেন ফ্রি ষ্টাইল, গ্রেকো রোমান ষ্টাইল অমসুং ২০শুবা ৱিমেন'স সেনিয়র নেসনল রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক লাক্লিবা ওক্টোবর ৭কী অয়ুক পুং ৮দা ৱেথ ওল্লগা ওক্টোবর ৯গী অয়ুক পুং ৭তগী খুমন লম্পাক্কী এস এ জি হোলদা ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মশা মশাগী অধার কার্দ নৎত্রগা ফোরেন পাসপোর্টকা লোয়ননা লাক্লগা মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেলদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন ফোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

৩শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিতা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা বাবি অমসুং প্রিয়াঙ্কা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল,ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস) : ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসন কনফিদরেসন অমসুং ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস অনীনা পূন্না খূৎশম্নদুনা কোরিয়াগী চোংজুদা লৈবা ৱর্ল্ড মার্সেল আর্টস পার্কতা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২২দগী ২৮ ফাওবা চথখিবা অহুমশুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা গোল্ড মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরদগী পুখ্রম্বম বাবি অমসুং থৌনাওজম প্রিয়াঙ্কা চনু তরাম্না ওকখ্রে।

গোল্ড মেদলিষ্ট থৌনাওজম প্রিয়াঙ্কা চনু অমসুং পুখ্রম্বম বাবিনা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়াম্না মখোয় অনীবু লৈ পরেং হুক্তুনা তরাম্না ওকপগী লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎখি।

৩শুবা ইন্টরনেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, শিলভর ১, ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল ৫ লৌদুনা অনীশুবা রন্নর্স-অপ তাখিবনি। ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নখিবা থৌনাওজম প্রিয়াঙ্কানা সব জুনিয়র গার্লসকী কেজি ৫৩গী ফুনবা অনীশুবা কেটাগোরিদা গোল্ড অমসুং পুখ্রম্বম বাবিনা জুনিয়র বোইজকী কেজি ৬৫গী ফুনবা অনীশুবা কেটাগোরিদা গোল্ড লৌখিবনি। থৌনাওজম প্রিয়াঙ্কা চনু অমসুং পুখ্রম্বম বাবি পাহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী শান্নরোয় ঙাক্তুনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ন টিমগী ওফিসিএল ওইনা শরুক য়ারুবা ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমার অমসুং হুইদ্রোম কিরনসু তরাম্না ওকখি।

মেগা মরাথোন্দা শরুক য়াখিবশিংনা সার্টিফিকেট লৌরবা য়ারগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমকপু মশা মউ ফবা, মতিং মথৌনা লৈবা মীওই অমমম ওইহন্নবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) না শিন্দুনা হৌখিবা সেপ্তেম্বর ২৪দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মেগা মরাথোন (লমশাং লমজেল) দা শরুক য়াদুনা লমজেল্লোই ওইখিবা খুদিংমক্না ইশা ইশাগী পার্টিসিপেসন সার্টিফিকেটশিং অদু ঙসিদগী য়ু পি এফ মণিপুরগী হেদ ওফিসতা লাক্লগা লৌবিরবা য়াগনি।

১১শুবা মেগা মরাথোন্দা শরুক য়াখিবা লমজেল্লোইশিংনা সার্টিফিকেট লৌবা লাকপা মতমদা ইশা ইশাগী চেছ নম্বরশিং অদু লোইনবিরক্কদবনি হায়না য়ু পি এফকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি নাওরেম দিনেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ত্রাইএল সেলেক্সনগী মতম নৌনা লেপখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): করাটে অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গার্লসকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর স্কুল ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোকপগী মতম নৌনা লেপখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ৱেষ্ট এন জি মোটিলালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, করাটে অন্দর-১৭ বোইজ এন্দ গার্লসকী ওইবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর স্কুল ত্রাইএল সেলেক্সন ২০১৭ লাক্লিবা ওক্টোবর ৫দগী ৭ ফাওবা চথগনি হায়না তৌরম্বা অদু ওক্টোবর ১০দগী ১২ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরগনি। মরম অসিনা ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ফোর্ম পীশিনখ্রবা শান্নরোয়শিংনা ওক্টোবর ১০গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা ওফিস অসিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

এ ৱাই সী তিনকাই খুনৌ অমসুং এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং মায় পাকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়ম গ্রান্দদা চথরিবা ১২শুবা এন বলানন্দা মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এ ৱাই সী তিনকাই খুনৌ অমসুং এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদগী এ ৱাই সী তিনকাই খুনৌ অমসুং আই কে এ সী ইরেংবম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৬০শুবা মিনিটতা এ ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১০ এল বোইপুনা গোল অমা চনখি। গোল অদু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা আই কে এ সীনা হন্দোকপা ঙমখিদে। এল বোইপুনা চনখিবা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা এ ৱাই সীনা আই কে এ সীবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী বি এফ সী বিষ্ণুপুর অমসুং এম পি আই আই ৱাই এ মোইরাং শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগী ১১শুবা মিনিটতা এম পি আই আই ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১১ এম দি ইরফান খান্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১৭শুবা মিনিটতা এম পি আই আই ৱাই এগী জর্সি নম্বর ৩ কে এঞ্জেলোনা গোল অমগা চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা বি এফ সীগী মায়কৈদগী গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা এম পি আই আই ৱাই এগী জর্সি নম্বর ১২ পি জেৎলিনা গোল অমগা চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা বি এফ সীনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। ইরফান খান, কে এঞ্জেলো অমসুং পি জেটলিনা চনখিবা গোলশিংনা মেচ অদু এম পি আই আই ৱাই এনা বি এফ সীবু গোল ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

এফ সী ইম্ফাল সিটি অমসুং কে এস দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৩ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না শিল্লগা খেত্রিগাওগী অবা গ্রাউন্দদা চথরকখিবা নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ সী ইম্ফাল সিটি অমসুং কে এস দি সী খোমিদোক মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী অহানবা মেচ ওইনা ৱাই এম সী হরাওরৌ অমসুং এফ সী ইম্ফাল সিটি শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগী ১২শুবা মিনিটতা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী জর্সি নম্বর ২১ বিসন্না গোল অমা চনখি। বিসন্না চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু য়াম্না ঙন্না এফ সী ইম্ফাল সিটিনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। গোল অদু হন্দোক্লবগীদমক ৱাই এম সীগী মায়কৈদগী কন্না শান্নরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই এম সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী এফ সী ইম্ফাল সিটিনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু ৱাই এম সীগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি। অদুমকপু মেচকী ৪৯শুবা মিনিটতা এফ সী ইম্ফাল সিটিগী জর্সি নম্বর ১৬ টি ঐচ নানিনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিল্লকখি। গোল অনী মাঙজিল থাখ্রবসু ৱাই এম সীনা গোল হন্দোক্লবগীদমক কন্না শান্নখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ৱাই এম সীনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। বিসাল অমসুং নানিনা চনখিবা গোলশিং অদুনা মেচ অদু এফ সী ইম্ফাল সিটিনা ৱাই এম সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচ ওইনা কে এস দি সী খোমিদোক অমসুং ৱাই ভি ও হুইকপ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবগী লোইবা ফাওবা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নদনা ০-০দা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা অকনবা এটেক কয়া চথনখি। অদুবু মেচকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা কে এস দি সীনা ৱাই ভি ওবু গোল ৪-৩দা মায়থীবা পীখি। কে এস দি সীগী গোল ৪ অদু এম দি দিপু, এম দি সরুখ, এম দি রোহিট অমসুং এম দি অলিখান্না চনখি। অদুগা ৱাই ভি ওগী গোল অহুম অদুনা এম রাজু, কে বোবোস্না অমসুং টি ঐচ বিদ্যাশ্বরনা চনখি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com